# গোলাঘাটকী মেলামোরাদা উগী ফেষ্টিভেল পাঙথোকখ্রে




গুৱাহাটি, জুন ৪ঃ

জুন ৫ দা পাঙথোক্কদবা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন ডেগা মরী লৈননা গোলাঘাটগী মেলামোরা নুমিৎ নীনিগী ওইবা উগী ফেষ্টিভেল অমা শিনখ্রে অমসুং ফেষ্টিভেল অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তগী হৌখ্রে হায়রি।

সাইকল রেল্লি অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা জাতিগী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অদু চীফ মিনিষ্টরনা হৌদোকখি। নুমিৎ নীনিগী থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা চাং তান্নবা য়াবা মশান্না কয়া অমা শীনগদৌরি।

মসিগী মথক্তা গোলাঘাটকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওই লিশিং কয়া অদু শাফগদবা মফম অমদা পুরক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

মেলারোমা হায়রিবা মফম অসি অসামদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা টেষ্ট তৌবগী দাইত্ব ওইবা মীওইশিং লৌবগী মথক্তা খুমতাই এম এল এ মৃণল সাইকিয়ানা খুমতাই এম এল এ ওইনা কারক্লিবা অদুগী ৱাফম অদুগা য়াম্না চান্দবা অমদি ওইরি হায়রি।

## পুক্নিং শৌশিং | বামোন অমুমচা

# উমাইবী মচাগী দষা

নোংমা নুপা অমনা উমাইবীগী মকোন্দগী মরুম অমা লৌথোক্লগা মহাক্কী মরুম কোন্দুনা লৈরিবা য়েনবী অমগী মরক্তা হাপচিল্লম্মী। য়েনবী অদুনা কোল্লিবা মরুমশিং অদু মচা ওলকপা মতমদা উমাইবী মরুম অদুসু মচা ওলক্তুনা য়েন্নাও মরক্তা য়েন্নাও ওইনা লৈখিরম্মী। উমাইবী মচা অদুসু য়েন্নাও মচাশিং অদুনা হিংলিবা মওং অদুদা অদুম হিংলম্মী। য়েন্নাও মচাশিং অদুনা মমাগী মতৌ তমদুনা মখোঙনা লৈবাক খোত্তুনা মচিঞ্জাকথিবা অদুগুম্না উমাবী মচা অদুসু মখোঙনা খোত্তুনা চিঞ্জাক থিবা য়াওরম্মী। য়েন্নাওশিং অদুগী মতৌগুম্না মহাক শাংনা পায়বা ঙল্লমদে।

নোংমা য়েন্নাওশিং অদুগা পুন্না শান্নরিঙৈদা উমাইবী মচা অদুনা অতিয়াদা য়াম্না ৱাংনা চীং লেম্না নীংতম্না পাইবা উরম্মী। মহাক্লা য়েন্নাও মচাশিং অদুদা হংলম্মী, ‘‘কয়াদা চীংলেম্নরনা ফজখ্রবা উচেকনো, কয়াদা নীংতম্না পায়রিবনো? মসিগুম্বা পায়বা ঙমজরবদি কয়াদা নুংঙাইগদবা।’’ য়েন্নাওশিং অদুনা পাউখুম্লকই, ‘‘মসি উমাইবীনি, য়াম্না থোইদোক হেন্দোকপা য়াম্না ৱাংনা শাংনা পায়বা ঙম্বা উচেকনি। নহাক্তি মহাককুম্বা ৱাংনা পায়বা ঙম্লোই মরমদি ইচম চম্বা য়েন্নাও মচানি।’’

উমাইবী মচা অদুনা য়েন্নাওমচাশিং অদুগী ৱাফম অদুদা মখা তানা অমুক খন্থবা তৌরমদে। মহাক্কা য়েন্নাও মচাশিং অদুগা খেন্নবা অদুসু খন্থরমদে। মশানা মশাবু থাজদুনা মহাক্লা পামজরিবা উমাইবীনা অতিয়াদা নীংতম্না পায়বা অদুগুম্না পায়বা ঙম্ব্রা হায়নসু চাংয়েংসু তৌরুবা লৈরমদে। মহাক য়েন্নাও ওইনা অদুম হিংখি অদুগা শিখি। কয়াদা মাঙজরবনো মহাক পায়পাকপা নীংতম্বা পুন্সি অমা লেন্নবা পোক্লকপনি অদুবু ফীভম্না মহাকপু মায়থিরবা পুন্সি অমা ওইনা লেনখি অমদি শিখি।

উমাইবী মচা অসিগী ফীভম অসি মী অয়াম্বদসু থোকই। ঐখোয় অয়াম্বনা ঐখোয়দা লৈজরিবা গুণ তৌবা ঙম্বা শক্তি অসি খন্থরুবা তৌদনা পংলেন্দা লেন্দুনা পুন্সি লোইখিবনা অয়াম্বনি।

করিগুম্বা উমাইবী মচা অদুনা উমাইবী মচাশিংগা লোয়নরম্লবদি উমাইবীগী পুন্সি মরেল লেন্দুনা উমাইবী অমগুম মহাক্না পামজবা পুন্সি মরেল অদু ফংলমগদবনি। মতৌ অদুনা ঐখোয়না মায়পাকপা ৱাখল মীৎয়েং ৱাংনা মীওইশিংগা লোয়নরবদি মখোয়গী পুন্সি মরেল অদু ফংবা ঙমগনি।

ঐখোয়না ‘‘ওইরোই’’ হায়না খনবা ৱাখল অসি থাদোক্লবা হোৎনগদবনি।

# শগোলশেম হেমন্ত

# খেংজোই চীংশাংদা

*(মণিপুর অমদি মপান লমগী পাউমী খুৎপু অমনা ২০০৬ তা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী ম্যানমারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা চৎলুবগী অৱা–নুংঙাই পাউদম লাইরিক্নি। ঙসি ফাওবদা খুৎনম তরুক্লক পুথোক্তুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না য়োনবা মণিপুরী লাইরিক ওইরি)*

## ৫

## শিদহিদাক ওলহনবা খূৎ

*ঙরাংগী মখা...*

–ঐখোয়না মীওইবা ওইবগী ৱারে পোত্থারে, লাম্লে চারে। করিগুম্বা রোবোটকা ওইরম্লবদি টিৎ–টিৎ খোংলম্লগা সিষ্টেম ফেল হায়রকপদা করিসু তৌবা য়ারোই চপ লেপখিদুনা অৱাবা ওইগনি।

খেংজোই চীংশাং পরেংশিং অসি অঙম্বা অৱাংবা চীংদোল য়াওরবসু, বঙ্গাই রেঞ্জদা লৈরিবা চীংশাংশিং অসিদি খুদোং থীনিংঙাই ওইবা কয়া য়াওরি। চীংদু ঙম্মনখিবনা, কৈরাক শারগা কাবা মফম লৈ। মদুবু কৈরাক খুল হায়না খঙনৈ।

ঐখোয়গা চৎমিন্নরিবা এম পি এ লান্মীশিংদুগী মরক্তা বঙ্গাই রেঞ্জদা লৈরম্বা কয়া য়াওরম্মী। অদোমদা লৈরিঙৈ মতমদা এম্বুস তৌবদা পাউ ফাওনবা ৱাৎহৌবদগী য়েক্লবদদি শোকহৌদদুনা মীচমদা ওইনা শোকখি, মদুগীদমক দন্দি ফংখি। দন্দি অদুদা রেঙ্ক তাহনবগা লোয়ননা খূৎলায় পায়হনখিদে। রেঙ্ক তাবদুদি নুংঙাইতবগী ৱানি, খূৎলায় পায়হন্দবদুদি ...। সিফাইদা খূৎলায় পায়হন্দবা হায়বসি অৱাবনি।

মহাক ইচঙ থৌবা, ফজনা পাঙথোকপা ঙম্বগা লোয়ননা টার্গেট শোয়গন্দবা মীওইনি। মহাক্লা জিরি লম্বীদা এম্বুস ৩–৪ গুম্বদা য়াওদুনা মায় পাকখি হায়। মখা তারকই,

– অমরোমদা সিফাই ওইরগা লাল তৌদনা খূৎলায়দা পায়রগা চৎপা অসিসু নুংঙাইতে, মরক্তা অমুক অমুক চাংয়েং তৌনিংবা য়াওরকই।

*মথং মথং ...*

# ইন্দিয়ানা ক্লুইক্ত রিএক্সন সর্ফেস টু এয়ার মিসন মায়–পাক্লা চান্দিপুরদগী চাংয়েং তৌখ্রে

চান্দিপুর, জুন ৪ঃ

ক্লুইক্ত রিএক্সন সর্ফেস টু এয়ার মিসাইল (ক্ল্য আর–এস এ এম) ঙসি ইন্দিয়ানা উরিষাগী চান্দিপুরদা লৈবা লোঞ্চ পেদ–৩ দগী মায়–পাকপগী চাংয়েং তৌখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং মিনিট ৪০ চৎপদা ট্রক অমদা হাপ্পা কেনিষ্টর লোঞ্চর অমদগী মিসাইল অদু কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখি। মিসাইল অদুনা কিলোমিটর ৩০ লোম লাপ্পা লৈবা মফমদা থম্বা টার্গেটতা পানবা ঙমখি।



মিসাইল অদু তোঙান তোঙানবা টার্গেটশিংদা পালহনবা ঙম্মী। ঈশিং–নুংশিৎকী ফিভম খুদিংমক্তা ট্রেক্কিং তৌদুনা মিসাইল অদু শীজিন্নবা য়াই হায়না এজেন্সিগী পাউ অমনা ফোঙদোরকখি।

ন্যুক্লিয়ার পুবা ঙম্বা পৃথিবী–২ মিসাইল মফম অদুমক্তদগী মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রবনি। লৈমায়দগী লৈমায়দা কাপ্পা য়াবা বেলিষ্টিক মিসাইল পৃথিবী–২ ইন্টিগ্রেটেদ টেষ্ট রেঞ্জগী লোঞ্চ পেদ ৩ দা লৈবা মোবাইল লোঞ্চর অমদগী কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখি।

ইন্দিয়ান আর্ম ফোর্সতা খুৎশিন্নবগী চাং নাইনা পাঙথোকপা টেন্নিং এক্সর্সাইজ অমগী শরুক অমা ওইনা পৃথিবী–২ মিসাইল অদু কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখিবনি।

চাংয়েং অদু দিফেন্স রিসার্চ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর টি ও) গী সাইন্টিসশিংনা কুপ্না য়েংশিনখি হায়নস ফোঙদোরকখি।

পৃথিবী–২ মিসাইল কে জি ৫০০ তগী ১০০০ ফাওবা লুম্বা ৱার্হেট পুবা ঙম্মী। মিসাইল অদুদা লিক্যুট প্রোপুলসন ট্যুইন ইঞ্জিন য়াওরি।

ইং ২০০৩ দা মিসাইল অদু ইন্দিয়া আর্ম ফোর্সদা ইন্দক তৌখিবনি। ইন্টিগ্রেটেদ গাইদেট মিসাইল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা দি আর দি ও না অহানবা ওইনা মিসাইল অদু শেমগৎখিবনি।

মিসাইল অদু মশীং হেন্না পুথোকপা য়াবগী থাক্তা লৈরবনি।

মিসাইল অদুনা পাইখিবা লম্বী অদু দি আর দি ও গী রদরনা ইলেক্ট্রো ওপটিকেল ট্রেক্কিং সিষ্টেম অমসুং টিলিমেটরী ষ্টেসন্দগী কুপ্না য়েংশিনখি।

ক্লুইক রিএক্সন সর্ফেস টু এয়ার মিসাইল অদু পৃথিবী–২ গী মতুংদা লৈবাক অসিনা মরোমদোম শেমগৎচখিবা মিসাইল অমনি। মিসাইল অদুনা তোঙান তোঙানবা টার্গেটশিংদা পালহনবা ঙম্লগী শক্তি লৈ।

ঈশিং–নুংশিৎকী তোঙান তোঙানবা ফিভম খুদিংমক্তা শীজিন্নবা য়াবগা লোয়ননা মিসাইল অদুনা চৎলিবা লম্বী পরিং অদু য়েংশিনবা ঙম্বগী ফিভমদু লৈ। লৈবাক অসিনা মিসাইল টেক্নোলোজিদা হেন্না চাউখৎপগী ফিভম অমা লাকপগা লোয়ননা ফিভম অমদা হেক্তা শীজিন্নবা য়াবা মিসাইলশিং পুথোরক্লি। মদুতা নত্তনা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী লুম্বা সেটিলাইটশিং স্পেসতা থম্নবা শিংথানিংঙাইওইবা থবক কয়াসু পায়খৎলি হায়রি।

# লাই তাম্হোক্লবনি হায়না ফুবদগী নুপীমচা অমা শিখ্রে

গুৱাহাটি, জুন ৪ঃ

য়াম্না পঙনা থোক্তবা থৌদোক অমা ওইনা লান্না লাই থাজবা মীওই অমনা মশামক্কী চমজরবী নুপীমচা অমগী পুন্সি লোইশিনহনখ্রে। মশাগী অনাবা অমা ডাক্তরদা লায়েংবগী মহুত্তা মাইবা অমদা লায়েংহনবদগী মহাক্কী লায়ওং অদু লাই তোংবদগীনি হায়দুনা লাই তাম্হোক্লবা ফুবদা নুপীমচা অদু লৈখিদবনি হায়রি।

আকবরপুরগী সঙ্করপুর ভিলেজদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবী নুপীমচা অদু ক্লাস আইট তম্লিবীনি অমসুং মশা নাদুনা মতম কুইনা মশাগী কাদগী মপান থোক্তনা লৈরকখি। অদুবু মহাক্কী মমা–মপানা মচাগী অনাবা অদু করিনো হায়বা খঙনবা ডাক্তরদা পুবগী মহুত্তা লোকেল মাইবা হায়বদি মুল্লা অমদা লায়েংহনখি।

য়াম্না ঙকপা অমনা মুল্লা অদুনা মহাকপু শোয়দনা অনাবা অদু ফহনগনি হায়দুনা লূপা লিশিং ৫ লৌখি।

মহাক্লা অঙাংদুগী মমা–মপাদা নুপীমচা অদু লাই তোংবদগী লায়ওং অদু ওইরকখিবনি হায়না থাজহনবগা লোয়ননা লাই তাম্হোক্লবনি হায়বগী মিংদা অঙাং অদু তমথিনা ফুখি। মদুদগী নুপীমচা অদু শিনবগী মরম ওইখি।

শিখ্রবী নুপীমচা অদুগী ইমুং–মনুংদা মোহমদ আল্লি কৌই হায়বা মুল্লা অদুগী মায়োক্তা এফ আই আর লোজ তৌখি। কেস অদুগী মতুংইন্না হায়রিবা মথোং হুক্তবা মাইবা হায়বদি মুল্লা মোহমদ আলি পুলিসনা ফারে হায়রি।

# ত্রিপুরাদা বি জে পি না শোয়দনা মায় পাক্কনিঃ সোনোৱাল



আগরটলা, জুন ৪ঃ

করিগুম্বা ভারতিয়া জনতা পার্টিনা ত্রিপুরাদা লৈঙাকা পায়রকপা তারগদি ষ্টেট অদুগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক খুদিংমক্তা অসাম লৈঙাক্লা মতেং পাংগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দা সোনোৱালনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

ত্রিপুরাদা মমাঙদগী লৈঙাক পুদুনা লাকখিবা সি পি আই (এম) না লূচিংবা লৈঙাক লৈরম্বা মতমদুদা মীওইবগী হক কয়া অদু মাঙহনবগা লোয়না ওইজবা কয়া অমা নারোলদা মাঙহনখ্রবনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা সোনোৱালনা ফোঙদোকখি।

ত্রিপুরাদা হৌজিকসু চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া মায় পাক্লা পায়খৎপা ঙমদ্রি। মরমসিদগী ষ্টেট অদুগী লম্বী থোং অমদি য়ুমলৈ কৈরৈদা অহোংবা অমত্তা লাকপা উদে হায়না সোনোৱালনা ঙসি সাউথ ত্রিপুরাগী শান্তির বাজারদা চৎনবা হোৎনবা মতমদা য়ামনা লাইনা মহাক্কী শীনখিবা অদুবুসু নীংশিংই। মরমসিদগী লৈঙাক্কী ইনখৎলক্লিবা মহৈরোইশিংনা ত্রিপুরাদা লাক্কদৌরিবা ফম কয়া লৌথোকপগী থবক চথবা মতমদা ঐখোয়গী মীওইনা খুদোংচাবা কয়া ফংগনি।

চপ চাবা লৈঙাক অমা লৈতবদগী লমদমসিগী ইনখৎলক্লিবা নহারোনশিং অমসুং অতৈ ষণ লোইবা মীওই কয়ানা চাবা থাক্লবা হোৎনরবসু মখোয়গী অৱাবদা কনানসু য়েংশিনবীদে। মরমসিদগী জিরো কিলোমিটরগী এরিয়াদা লৈরিবা মফমশিংদা অকনবা এক্টশিং শীজিন্নদ্রিঙৈ মমাঙদা ২০১৮ গী এসেমব্লি ইলেক্সন অসি ঐখোয়গী শেল থুম কয়া মাঙহনখ্রবা মফম অমনি হায়না লৌবা তাই।

## ওক্সন নোটিশ

ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া এম য়ু ব্রাঞ্চনা বেঙ্ক অসিনা ফাইনান্স তৌখিবা সনাগী লৈতেংশিং ‘‘হৌজিক লৈরিবা ফীভম’’ অসিদা ওক্সন তৌদুনা য়োনগদৌরি। ওক্সন অসি ব্রাঞ্চ অসিদা ০৫–০৬–২০১৭ কী অয়ুক পুং ১১ দা পাঙথোক্কনি। পাম্বীবা মীওইশিংনা লৈতেংগী পোৎ–চৈশিং অসি য়েংনবা বেঙ্ক অসিদা হংবা য়াগনি। ওক্সন অসিদা মায় পাক্লবা মীওইনা মহাক্লা ওক্লিবা মমল অদুগী চাদা ১০ ওক্সন নুমিৎ অসিদা দিপোজিট তৌগদবনি অদুগা মসিদা শরুক য়ারিবা খুদিংমক্লা এস বি আই, এম য়ু কেম্পসকী মীংদা লুপা ২৫০০ বেঙ্ক চেক ওইনা দিপোজিট তৌগদবনি।

তাং ০২–০৬–২০১৭

সহি
চীফ মেনেজর
এস বি আই, এম য়ু কেম্পস ব্রাঞ্চ

SL/2243/05

## খোংমন এরিয়া মেরিটরিয়স এৱার্ড পীরগনি

উনাক্কো ফাউন্দেসন ট্রষ্টনা শীন্দুনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ১০ শুবা খোংমন এরিয়া মেরিটরিয়স এৱার্ড য়েন্থোকপগী থৌরম লাক্লিবা জুন ৯, ২০১৭ ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩ তাবদা উনাক্কো স্কুলগী ওডিটরিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

খোংমন জোন ৱানদগী ফাইফ ফাওবগী মনুংদা লৈবা কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেণ্ডরি এডুকেসন, বোর্ড ওফ সেকেণ্ডরি এডুকেসন, মণিপুর অমদি সেন্ট্রেল মোর্ড ওফ সেকেণ্ডরি এডুকেসনগী কুমসিগী পরিক্ষাশিংদা অপুনবা মার্ককী চাদা ৬০ গী মথক্তা ফংবা মহৈরোইশিংনা মখোয়গী মমিং মথা, লৈফম, মমা মপাগী মমিং লৈফম অমদি মার্ক সিটকী কোপি উনাক্কো স্কুলদা লৈবা উনাক্কো খোংমন ষ্টাফ এসোসিয়েসনগী ওফিসতা অয়ুক পুং ১০ দগী নুথিল পুং ২ ফাওবগী মনুংদা লাক্লিবা জুন ৮, ২০১৭ ফাওবদা এৱার্ড অসিগীদমক্তা পীশিনবীনবা নীংশিংজরি।

SL/BILL /05

এন সনাজোন প্রসিডেন্ট
উনাক্কো খোমন ষ্টাফ এসোসিয়েসন

## EMPLOYMENT NEWS
## থবক্কী পাও

**WAPCOS recruitment 2017 advertisement 17 Various Vacancies**

WAPCOS Limited released new notification on their official website wapcos.gov.in for the recruitment of total 17 (seventeen) jobs out of which 06 (six) vacancies for Electrical Engineer, 01 (one) for Computer cum Data Entry Operators vacancy. Job seekers should apply on or before 13th June 2017.

Government Organization:- WAPCOS Limited
Designation:- Electrical Engineer, Computer cum Data Entry Operators
Posting:- Tripura, Manipur, Nagaland, Assam & West Bengal
Official website: wapcos.gov.in
WAPCOS recruitment 2017

Electrical Engineer: 06 Vacancies
Qualification:- Candidates who wanted to participate for WAPCOS Electrical Engineer job should have ME/BE in Electrical Engineering.
Computer cum Data Entry Operators: 01 vacancy
Qualification:- Aspirants who decided to join WAPCOS Computer cum Data Entry Operators posts should have Graduate in any Field.
Age Limit:-
Electrical Engineer: 55 years
Computer cum Data Entry Operators: 35 years
Selection Process:- WAPCOS will be conduct the Interview for Electrical Engineer, Computer cum Data Entry Operators vacancies.

How to apply for WAPCOS recruitment 2017:- Interested applicants may send their CV in the prescribed proforma along with copies of their educational qualifications and experience certificates send to Chief Engineer & Regional Manager (ER) WAPCOS Limited Jalasampad Bhawan, 10th Floor, Salt Lake City, Kolkata – 700091 West Bengal on or before 13.06.2017.
Important Dates to remember:-
Form Submission End Date: 13.06.2017

.................................................................................

**LICHFL recruitment 2017 Notification web designer, Web developer & data base programmer posts apply at lichousing.com**

LIC housing Finance limited (LICHFL) released new notification on their official website for the recruitment of 08 web designer, Web developer and data base programmer vacancies. Job seekers should apply online before 10th June 2017.

Govt. Agency Name :- LIC housing Finance limited
Job Name:- web designer, Web developer and data base programmer
Posting:- Maharashtra
Application date:- 10th June 2017
LICHFL latest News 2017
Web Designer:- 02 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Web Designer should have MCA / BE / B.Tech / B.Sc. in the field of computer science / IT with minimum aggregate 60% marks from a recognized university.
Salary Structure:- Rs 8 to 10 Lakh Per Annum
Web Developer:- 04 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Web Developer should have MCA / BE / B.Tech / B.Sc. in the field of computer science / IT with minimum aggregate 60% marks from a recognized university.
Salary Structure:- Rs 8 to 10 Lakh Per Annum
Age Limit:- 25 to 30 years as on 1st January 2017.
Selection Process:- Written Examination and after exams candidates will be invited for personal Interview.

How to apply for LICHFL vacancies 2017:- Applicants may submit their resume online through www.lichousing.com on or before 10th June 2017.
Important Dates to remember:-
Closing Date: 10/06/2017

.................................................................................

**SAIL Recruitment 2017 Apply online for 27 Various Vacancies at sail.co.in**

Steel authority of India released new notification on their official website for the recruitment of 27 general duty medical officer and specialist / medical of surgeon vacancies. Job seekers may appear walk-in-interview 14th June 2017.

Govt Department:- Steel authority of India
Post Name – general duty medical officer and specialist / medical of surgeon
Job Location:- West Bengal
Interview Date:- 14th June 2017
SAIL Latest Jobs 2017
General Duty Medical officer:- 16 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for General Duty Medical officer should have MBBS from a recognized university / institute recognized by MCI.
Salary Structure:- Rs 40000/- Per Month
Specialist / Medical of Surgeon:- 11 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Specialist / Medical of Surgeon should have MBBS from a MD / Diploma in specialist from MCI recognized university / institute..
Salary Structure:- Rs 30000/- Per Month
Age Limit:- Maximum 70 years as on 1st January 2017.
Selection Process:- Walk-in-interview
How to apply for recruitment SAIL 2017:- Applicants may appear for interview for interview along with prescribed application for along with original and one set of self – attested photocopies of certificates.
Important Dates to remember:-
Walk-in-interview Date: 14/06/2017

# য়ুমগী লায়য়েং

*শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ*

## চাবা (চিঞ্জাক)

*ঙরাংগী মখা...*

শাগী মরমদা–

শা অসিবু পুমথহনবা মহীক মনাই জর্ম য়াওহন্দনা থম্বা করিগুম্বা শা মখল অমতা কৈথেন্দগী লৈবা ফংদে। হেক লৈরুবা অতেকপা শা অসিদা পুমথহল্লবা ব্যেক্টেরীয়া মহীক য়াওবা অসি বেটল গৃফ সেনিতোরিয়মগী ক্লিনিকেল লেবোরেটরীদা ফংবনি।

আউন্স অমদা য়াওবা পুমথহনবা ব্যেক্টেরিয়াঃ–

| | ফোৎশক | লৈরুবা কালদা | পুং ২৪ গী মনুংদা |
|---|---|---|---|
| ১। | অচৌবা সাউসেজ | ১২,৬০০,০০০,০০০, | ১৪,৭০০,০০০,০০০ |
| ২। | সাউসেজ মচা | ১৯,৮০০,০০০,০০০ | ১৯,২০০,০০০,০০০ |
| ৩। | রাউণ্ড স্তীক | ১৬,৮০০,০০০,০০০ | ২৫,২০০,০০০,০০০ |
| ৪। | ষণ শা অৱৌবা | ১৫,৮০০,০০০,০০০ | ২২,৫০০,০০০,০০০ |
| ৫। | মৈখুদা য়াইবা ওক–শা | ১,২৯৩,৬০০,০০০ | ২২,৫০০,০০০,০০০ |
| ৬। | হাম্বর্জরস্তীক | ৩,৮৭০,০০০,০০০ | ২১,০০০,০০০,০০০ |
| ৭। | পোটরহাউস স্তীক | ৯০০,০০০,০০০ | ২১,০০০,০০০,০০০ |
| ৮। | ওকশা | ৩,৭৮১,০৯০০০ | ৩১,০০০,০০০,০০০ |
| ৯। | সীরলোইন স্তীক | ১১,৩৪,০০০,০০০ | |

অইংবদা থম্লগা পত্থ–পুমথহন্দে হায়বসি লানবনি। ওইবমক জীবগী হকচাংসি হেক শিবগা পত্থ–পুমথবগী মহীক হেক্তা লাকই। অঙৈংবদা হিংবা ঙম্বা ব্যেক্টেরিয়া লৈ। পোৎশক অদু মচু হোংদবদগী ব্যেক্টেরিয়া লাক্তে হায়বসি অরানবা ৱাফম্নি। অমনা অঙৈংবদা থমউবা ঙা, শা অদু অশাবদা হেক পুথোকপদদি অঙকপা ফংনা পত্থ–পুমথহল্লি। শা, ঙা চাগে হায়রবদি হেক হাৎপগা শিফাৎত্রিঙৈদা ঙমু শেম্বগুম শেমদুনা চাও।

করিগুম্বা কালদা শা শেম্বশিংনা নুমিৎ ১০ নি য়ান্দুনা শাদু থমই। মসলদা অওনবা অমা লাকই। জেল্লিগুম্না লৈবা মসল অদু মহী চেল্লকই, চিনি ওল্লকই, মহাও কারকই, থোৎলি। হাউই হায়দুনা অসুম্না চানৈ। মুলহনবা হায়না কৌই। মসিগুম্বা মমুন অসি পুমহনবনি। কা অমদা য়ান্দুনা থমইবা অদুগা লমলক্তা শিরিবা ষণ, ষন্নাওগী মশা অদুগা খেন্নদে। করিগুম্বা মতমদা য়াল্লিবা ষণ–শা অদুদগী তীল অচৌবা কয়া পোক্লকই। মদু ঙৌদুনা চাবসু য়াওই।

তোমেইন–

শা পুমথহনবা পোৎশক্নি। লায়না মখল কয়ানা নাবদা য়ুংদা তোমেইন অসি য়াওই। খোইরীন্দা শুম লৈরম্বদগী হকচাং মনুংদা চঙখিদুনা, মমৈদা তোংদা য়ৌখি, তোংদগী য়ুংলোমদা লাক্তুনা কেদাভেরীন, সুত্রিসীন্নচিংবা তোমেইন কয়া ঈশিং চৎপদা য়াওরকই। মৈতৈগী নহারোলনা অহল–লমন হাক্তক্তগী চারক্ত্রবা শা অসি চাবা তারবদি খরা খন্থবা ফৈ। হৌজিক্কী য়ুগ অসিদা পোকপা ওফিসার, ঠিকাদার, অচৌ–অশাং কয়া শা চাশিনবদগী নোয়খৎহন্দুনা অনাবা কয়া পোকহন্দুনা নহা ওইনা শি।

*মথং মথং ...*